## নোর্থ কোরিয়ানা আই সি বি এম কাপখ্রবা মতুংদা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসনা জোইন্ট এয়র দ্রিলস পাঙথোকখ্রে



সিওল, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুএসকী বি-১বি ষ্ট্রেটেজিক বোম্মরশিং য়াওবা কম্বাইন্দ এয়র দ্রিলশিং পাঙথোকখ্রে হায়না সাউথকী মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা মমাঙগী নুমিত্তা অশানবা বেলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপখ্রবা মতুংদা মীচং লৈবাক অনীনা জোইন্ট এয়র দ্রিলস অসি পাঙথোরকপনি।

জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ (জে সি এস) কী মতুং ইন্না জোইন্ট এয়র দ্রিলস অদুদা সাউথকী এফ-৩৫ এ ষ্টেলথ ফাইটরশিং অমসুং এফ-১৫ গী জেটশিংগা লোয়ননা য়ুএসকী এফ-১৬ ফাইটরশিংনা সাউথকী এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোনদা চঙলকখিবা বি-১ বি এয়র ক্রাফট ঙাক শেন্দুনা পাইখি।

বি-১ বি এয়রক্রাফট মশিং কয়া য়াম্না দিপ্লোই তৌখিবগে হায়বদু সাউথকী মিলিটরিনা ফোঙদোরকখিদে। নোর্থ কোরিয়ানা ৱাশোং-১৫ ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপখি হায়বসি লৈবাক অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা কনফার্ম তৌখি।

পিওংয়াংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা মদু কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র দিটরেন্টকা মরী লৈননা য়াম্না থুনা চথখিবা দ্রিল অমনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

জে সি এসনা প্রেস রিলিজ অমদা হায়রি, মদুদি হন্দক্কী জোইন্ট দ্রিল অসিনা সাউথ কোরিয়া-য়ুএসকী কম্বাইন্দ দিফেন্স কেপেবিলিটিশিং উৎতুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা য়ুএসকী দিটরেন্স এসেটশিং য়াম্না থুনা অমদি মতম চানা দিপ্লোই তৌবা ঙম্মী হায়বসি অকন অরিং শীংবা পান্থশিংদা খঙহল্লি। এয়র দ্রিল অদুনা পেনিন্সুলা অদুবু ঙাক শেনবা হায়বসি য়ুএসকী অচেৎপা ফিরেপনি হায়বা অমুক হন্না উৎলি হায়নসু প্রেস রিলিজ অদুদা পনখি।

য়ুএসকী এক্সটেন্দেন্ট দিটরেন্সকী মনুং চন্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং য়াওনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মীচংশিংবু হোষ্টাইল ওইবা লৈবাকশিংদগী ঙাকথোক্লনবা মিলিটরি কেপেবিলিটি মখল শুনা মোবিলাইজ তৌবা ঙম্মী হায়বসিসু জোইন্ট দ্রিল অসিগী খুথাংদা ৱাশিংতন্না পিওংয়াংদা খঙহল্লিবনি। কম্বাইন্দ দ্রিলস অদুদা নাকল অনীনা পুন্না এয়রক্রাফট তরা মোবিলাইজ তৌখি।

প্লেনশিং অদু ফোর্মেসন অমদা য়েল্লো সী, ইষ্ট সীগী মথক্তা অমদি মদুগী মতুংদা সাউথকী সাউর্দন রিজনদা পাইখি।

জেসিএসকী মতুং ইন্না বি-১ বি বোম্মর অসি কিলোমিটর ১১,৯৯৮ ফাওবা পাইবা ঙম্বা অমসুং খুৎলায় টন ৫৭ ফাওবা পুবা ঙম্বা সুপর সোনিক এয়রক্রাফটনি। তঙাই ফদ্রবদি মসি পুং ২ গী মনুংদা পেনিন্সুলা অদুদা দিপ্লোই তৌবা য়াই। চয়োল অসিদা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র থ্রেটশিংগী মায়োক্তা সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না টেবল টোপ্ক এক্সর্সাইজ অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈ চৈরক্তা নোর্থনা থাংজ নুমিৎতা আই সি বি এম অমা কাপ্পুনা কায়হৌবগী থৌওং চথখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জে ং-উনগী মচলনুপী কিম য়ো-জে ংনা ষ্টেটমেন্ট অমদা পিওংয়াংগী মায়োক্তা চথরকপা হোষ্টাইল ওইবা থবক থৌওং খুদিংমক্তা নোর্থনা অৰৈবা মতিক ময়াইশিং উৎতুনা অকনবা রেস্পোন্স পীগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

নোর্থ কোরিয়াগী বেলিষ্টিক মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র ৱেপনস প্রোগ্রামশিং য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিংগী মখাদা অথিংবা থল্লবসু পিওংয়াংনা খুৎলায় দিভলপমেন্টগী প্রোগ্রামশিং অদু ৱাশিংতন অমসুং মসিগী মীচংশিংগী নোর্থপু তাথিবা পোলিসিশিং মায়োক্ল বদা মথৌ তাই হায়রিবনি।

## ইজরেলনা দমাস্কসকী মী তাবা মফমদা মিসাইল ষ্ট্রাইক চথবদা মীওই ১৫ শিরে



দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): ইজরেলনা সিরিয়াগী কেপিটেল দমাস্কসকী মী লৈনবা বিল্ডিং অমদা মিসাইল ষ্ট্রাইক চথরকখিবদা সিবিলিয়নশিং য়াওনা মীওই ১৫ শিরে হায়না সিরিয়ন ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

শুপ্নগী চয়োল অনীরোমগী মমাঙদা অচৌবা য়ুহা অমা থোকখ্রবা মতুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা সেন্ট্রেল দমাস্কসকী মী তাবা মফম অমদা টার্গেট তৌদুনা ইজরেলনা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথরকখিবনি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

উহৌবশিং অমসুং ওফিসলশিংনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ইজরেল্লি রোকেট অমনা ইরানিয়ন ইন্সটোলেসনশিংগা নক্লনা লৈবা নীংথিনা ঙাক শেল্লিবা সেক্যুরিটি কমপ্লেক্স অমদা ষ্ট্রাইক তৌখি।

পনবা য়াবদি, ইজরেলনা দমাস্কসকী চিদাইদা লৈবা মফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা তোইনা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা লাক্লবসু লমদম অদুগী মী তাবা মফমশিংদা শোকপগী থৌদোক তাংনা থোকই।

সিরিয়ন ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়রি, মদুদি ইরানিয়ন কলচরেল সেন্টর অমগা নক্লবা মফমদা হিট তৌখিবা অদুদা সিভিলিয়নশিং য়াওনা মীওই ১৫ শিখি। মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুনা সেনিয়র সেক্যুরিটি ওফিসলশিং, সেক্যুরিটি ব্রাঞ্চশিং অমদি ইন্টলিজেন্স হেদ ক্বার্টর্সতা লৈরিবা সিরিয়ন কেপিটেল অদুগী হাই-সেক্যুরিটি এরিয়া অমা ওইরিবা কাফর সৌসাদা হিট তৌখি।

টার্গেট তৌদুনা চথরকখিবা ষ্ট্রাইক অদুনা কেপিটেলগী ময়াই চবুক মক্তদা লৈরিবা ওমায়ট স্কৱারগা নক্লবা মী কুংনা তাবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী বিল্ডিং কয়া অমাঙ অতা থোকখি।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না লোকেল মতমদা ১২.৩০ এএম রোম তাবা মতমদা কেপিটেলদা অহৌবা পোকখায়বগী মখোলশিং তাখি। দমাস্কসকী নোংথক্তা সিরিয়ন এয়র দিফেন্সশিংনা হোষ্টাইল টার্গেটশিং থেংনখি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি সানাগী রিপোর্টতা পনখি।

সিরিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না লোকেল মতম ০০:২২ এ এম তাবদা য়েক্লবা ইজরেলনা ওক্যুপাইদ গোলান হাইটসকী মায়কৈদগী দমাস্কস অমদি মসিগী চিদাইদা লৈবা মফম কয়াদা টার্গেট তৌদুনা নোংথক্তগী এগ্রেসন চথরকখি।

## স্পাইশিং পুশিল্লক্লবা হোৎনৈ হায়দুনা দটস গভর্ণমেন্টনা রসিয়ন দিপ্লোমেটশিং লৈবাক থাদোক্লবা খঙহনখ্রে



আমষ্টরদাম, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্ট অমসুং গ্লোবেল কেমিকেল ৱাটচদোক য়াওনা মালেমগী মরু ওইবা ইন্সটিট্যুসন কয়া লৈরিবা লৈবাক্তা স্পাইশিং পুশিন্নবা হোৎনৈ হায়না মোস্কোবু মরাল শীবগা লোয়ননা দটস গভর্ণমেন্টনা রসিয়ন দিপ্লোমেট কয়া নেদরলেন্স থাদোক্নুনা চৎখিনবা থাংজ নুমিত্তা খঙহনখ্রে।

দটস গভর্ণমেন্টনা লাউথোরক্লিবা ৱাফম অসি রসিয়ানা চহী অমরোমগী মমাঙদা য়ুক্রেনদা লান্দাদুনা য়ুরোপকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লান অমা থোকহল্লকখিবা মতুং লৈবাক অনীগী মরক্তা লাকখিবা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা য়েৎনবদা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংনি।

ফোরেন এফিয়র্স মিনিষ্টর ৱোফকে হিটষ্ট্রানা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি নেদরলেন্সনা সোলুসন অমা পুরক্লবা হঞ্জিন হঞ্জিন্না হোৎনরবসু রসিয়ানা দিপ্লোমেটিক কোভরগী মখাদা ইন্টলিজেন্স ওফিসরশিং নেদরলেন্সতা পুশিন্নবা মখা তানা হোৎনদুনা লৈরি। অসিগুম্বা রসিয়াগী থৌওং অসি ঐখোয়না য়ারোই।

মহাক্লা মখা তানা হায়রি, মদুদি রসিয়াগা লৈনরিবা মরী হান্নদগী হৌজিক্লা হেন্না লুশিল্লক্লবা ফাওবদা এম্বেসিশিং কম্যুনিকেসন চেন্নেল অমা ওইনা হাংদুনা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা রসিয়ন দিপ্লোমেটশিং অদুদা নেদরলেন্স থাদোক্লবা চয়োল অনীগী মতম পীখি।

আমষ্টরদমদা লৈবা রসিয়ন ট্রেদ ওফিস অমা দটস গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা থিংজিন্নবা ওর্দর তৌখি। রসিয়াবু নেদরলেন্সতা স্পাইশিং পুশিন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা দটস গভর্ণমেন্টনা হায়রি, মদুদি নেদরলেন্সকী সেন্ট পিটর্স বর্গতা লৈবা কোন্সুলেট অমসুং রসিয়ন কেপিটেলদা লৈরিবা এম্বেসি ষ্টাফ মেম্বরশিং ওইহন্নবা দটস দিপ্লোমেটশিংদা ভিজা পীননবা কুইনা তক্লরক্লবসু মোস্কোনা হৌজিক ফাওবদা পীদনা লৈরি। সেন্ট পিটর্স বর্গতা লৈরিবা দটস কোন্সুলেট জেনরেল ক্লোজ তৌদুনা লৈরিবনি।

পনবা য়াবদি, রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাখিবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদনা দটস গভর্ণমেন্টনা রসিয়ন ইন্টলিজেন্স ওফিসর ১৭ তান্থোকখিবনি।

## হেলিকোপ্টর রেইদ চথবদা আই এস আই এস টেররিষ্ট ফারে

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): ইষ্টর্ন সিরিয়াদা চথখিবা হেলি-কোপ্টর রেইদ অমদা আই এস আই এসকী টোপ ওফিসল অমা ফারে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস মিলিটরিনা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুএস সেন্ট্রেল কম্মান্দ (সেন্ট কোম)না হায়, কম্মান্দ অসিগী ফোর্সশিংনা সিরিয়ন মিলিটরিগা খুৎশম্নরগা হেলিকোপ্টর রেইদ অমা চথখিবদা বাটর কৌবা আই এস আই এস ওফিসল অমা ফাখি।

প্রেস ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না বাটর অসি এস দি এফনা ঙাক শেনবা দিটেন্সন সেন্টরশিংদা এটেক কয়া চথবদা অমদি আই ই দিশিং শাবদা চেন্নৈ। মপুং ফানা থৌরাং তৌরবা মতুংদা ওপরেসন অদু মায় পাক্লা চথখিবনি। রেইদ অদুদা মীচম, সিরিয়ন লান্মী নত্ত্রগা য়ুএস ফোর্সকী মীওইশিং শিখিবা নত্ত্রগা শোকখিবা লৈতে।

রেইদ অদুগী মতুংদা সেন্ট কোম্না অতোপ্পা ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌদুনা কোল্লিসন ফোর্সশিং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা নোর্থ ইষ্ট সিরিয়াদা রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখি হায়না ফোঙদোকখি।

রোকেট এটেকশিং অদুদা য়ুএসকী নত্ত্রগা কোল্লিসনগী ট্রুপ অমত্তা শিখিদে নত্ত্রগা শোকখিদে। কোল্লিসনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর নত্ত্রগা ইক্বিপমেন্টদা অমাঙ অতা থোকখিবসু লৈতে। নোর্থ ইষ্ট সিরিয়াদা লৈরিবা য়ুএস ফোর্সশিংনা থৌদোক অদু ইনভেষ্টিগেসন চথরি।

রোকেট রেইদশিং অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ নত্ত্রগা ইন্দিভিজ্যুএল অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

ফোক্স ন্যুজকী মতুং ইন্না আই এস আই এসকী সিনিয়র লিদর হমজা অল-হোমসি শিহনখিবা রেইদ অমদা য়ুএস সার্ভিস মেম্বর মরি অশোক অপন নঙলে হায়না সেন্ট কোম্না লাউথোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা সিরিয়াদা মায় পাক্লা চথখিবা রেইদকী পাউ অসি শন্দারকখিবনি।

রেইদ অদুদা শিদ্রিঙৈগী মমাঙদা হমজা অল হোমসিগী মীৎয়েং মখাদা গ্রুপ অসিনা ইষ্টর্ন সিরিয়াদা টেররিষ্ট এক্তিভিটি কয়া চথখি হায়না সেন্ট কোমগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

## ‘অলবিনা প্রসিদেন্ট ওইনা থবক তৌগদবনি ইমরান খানগী স্পোক্সমেন ওইনা তৌগদবা নত্তে’



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রনা সনৌলানা প্রসিদেন্ট অরিব অলবিগী থৌওংবু কন্না য়ানিংদবা উৎলদুনা মহাক্লা মশাগী কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা ফম ইকায় খুম্নজগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনদা লৈবাক অসিগী মীখলগী মতম লেপ্পনবা প্রেসর পীখিবগা মরী লৈননা মিনিষ্টর অসিনা প্রসিদেন্ট অলবিগী থৌওংদা য়ানিংদবা উৎলিবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সনৌলানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা ড ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, অলবিনা পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থবক তৌগদবনি। তৌইগুম্বসুং পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী চিয়ারমেন ইমরান খানগী স্পোক্স পার্সন অমা ওইনা থবক তৌগদবা নত্তে।

রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা হায়, পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) গী লূচিংবা অসিনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খাননা মসিগী মমাঙদা প্রসিদেন্ট, স্পিকর, দিপ্যুটি স্পিকর অমসুং গভর্ণরশিংবু লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইবা থবক কয়া তৌহনখি।

খাননা প্রসিদেন্টগী ওফিস শীজিন্নবগা লোয়ননা ইলেক্টরেল বোদিদা প্রেসর পী হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা অলবিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিষ্টান (ই সি পি) গী দোমেন্টদা খুৎ থিংজিল্লি হায়খি।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি প্রসিদেন্ট অলবি পি টি আইগী ফোরেন ফন্দিং কেসতা চেন্নৈ। অমরোমদা, দিফেন্স মিনিষ্টর খ্বাজা অশিবনসু প্রসিদেন্টনা মঙোন্দা কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা পৱারগী ৱাংমদা থবক তৌরোইদবনি হায়খি।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা অশিবনা হায়খি, মদুদি প্রসিদেন্টনা ই সি পিগী দোমেন্টদা খুৎ থিংজিনবগী থৌওং চথরোইদবনি। মহাক পোলিটিক্স তৌফম থোক্তে। কুমজা ২০১৮ দা থোকখিবা সেলেক্সন নত্ত্রগা থৌদোক অমনা মরম ওইদুনা মহাক্লা কন্সটিট্যুস্নেল ফম অসি পায়খিবনি হায়বসি মশামক্লা কাউরোইদবনি হায়নসু অশিবনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, প্রসিদেন্টনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা কন্সটিট্যুসন ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা দিমোক্রেসিগী মপাঙ্গল হেনগৎ-হনগদবনি হায়রদুনা কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোন মতুং ইন্না মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌজিক পঞ্জাব অমসুং খাইবর পাক্তুনখুৱা প্রোভিন্সশিংদা লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা অলবিনা হায়খি, মদুদি মহাক্লা অমুকসু চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরদা লেট্রর অমা ইদুনা প্রোভিন্স অনীমক্কী মীখলগী তারিখশিং লাউথোক্লবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা খঙহনখি।

## ইজরেলবু মরন্নাই ৱারেপতা থবক তৌবা লেপহন্নবা ব্লিঙ্কনদা তকশিনখ্রে

রমালা, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): পলেষ্টিনিয়ন টেরিটশিংদা মরন্নাইগী ৱারেপ মতুং ইন্না থবক থৌরমশিং পায়খৎপা লেপ্পবা ইজরেল্লি গভর্ণমেন্টদা প্রেসর পীননবা পলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মোহমদ অবাসনা য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কনদা তকশিনখ্রে।

পাউমীশিংদা থাবা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মদুদি য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ব্লিঙ্কননা অবাসতা ফোন তৌরকখি। ফোনদা ৱারী শান্নবা অদুদা মখোয়না হন্দক্তা ইজরেলনা য়ানখিবা এগ্রিমেন্টশিং অমসুং ইন্টরনেসনেল রিজোলুসনশিং থুগায়নবা ৱারেপ লৌখিবা মতুংদা লাকখিবা খ্বাইদগী নৌবা দিভলপমেন্টশিং খন্ন-নৈনখি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি পলেষ্টিনিয়নশিংনা জেরুসালেমদা পরিং নাইনা চথখিবা এটেকশিংগী পাউখুম ওইনা হৌখিবা চয়োলদা ইজরেল্লি গভর্ণমেন্টনা সেটলমেন্ট আউটপোষ্ট মাপন ওথোরাইজ তৌননবা ৱারেপ লৌখি। সেটলমেন্টশিং অদু ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ৱেষ্ট বেঙ্কতা শেমগৎ শাগৎখিবনি।

ষ্টেট অনীগী সোলুসন ইমপ্লিমেন্ট তৌবা য়াবগী ফিভম মখা তানা লৈহন্নবগীদমক্তা অসিগুম্বা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌরাং পুম্নমক লেপ্পবা ইজরেলদা প্রেসর পীননবা অবাসনা য়ুএসতা য়াম্না থুনা অমসুং ইফেক্তিব ওইনবা মীৎয়েং চঙনবা তকশিনখি।

চৈরকসিদা য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা থাংজ নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্লা ইজরেল্লি গভর্ণমেন্ট কন্টেক্ট তৌরগনি অমসুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না মখা তানা ইজরেলগী নাকল নাম্মতগী ওইবা ৱারেপশিংদা য়ুম্ফম ওইবা এক্সনশিং লেপহন্নবা হোৎনগনি হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

ইজরেলনা কুমজা ১৯৬৭ তা ৱেষ্ট বেঙ্ক খুদুম চনখিবগা লোয়ননা মতমদুদগী মফম অসিদা সেটলমেন্টশিং শেমগৎতুনা লাকখি। ইজরেলগী থৌওং অসিবু ইন্টরনেসনেল লো খোঙ্গাওনৈ অমসুং মসিনা ইজরেল্লি অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা মুক্লরিবা অসিগী মরু ওইবা হৌরকফমনি হায়না ওবজার্বরশিংনা ফোঙদোক্লদুনা লাকখি।

## রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট হেন্না চাওথোরকপা য়াই হায়না হঙ্গেরিনা ৱার্নিং তৌখ্রে



বুদাপেস, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা লান লেপ্পুনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হঙ্গেরিগী প্রাইম মিনিষ্টর বিক্তর ওর্বাননা আপিল তৌখ্রে অমসুং হৌজিক্কী থৌওং মখা তানা চথবা তারবদি কনফ্লিক্ট অদু হেন্না চাওথোরকপা য়াই হায়নসু মহাক্লা ৱার্নিং তৌখ্রে।

চহীগী ওইবা মহাক্কী ষ্টেট ওফ দি নেসন এদ্রেসতা ওর্বাননা হায়খি, মদুদি রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অসি চহী কয়া চথবা য়াই। হঙ্গেরি নত্তনা নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো) অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) গী মীপুম খুদিংমক হৌজিক লানগী মায়কৈদা লৈরি।

টেলিভিজনগী খুথাংদা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙলিবা ওর্বাননা হায়খি, মদুদি নাকোয়ননা ওইরবসু ইয়ুনা রসিয়াগা লান শোক্লবা হৌখ্রবনি। ইয়ুগী লৈবাকশিংনা খুৎলায় কয়া থারিবা অমদি মিলিটরি পর্সনেল কয়া ট্রেনিং পীরিবা অসি লান অদুদা নাকোয়ননা চেন্নৈ হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। য়ুরোপ হৌজিক তপ্পা তপ্পা লানদা চঙশিনবগী ফিভমদা লৈরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

হঙ্গেরিগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা করিগুম্বা ফিভম লুশিল্লক্লবসু অমসুং প্রেসর কয়া লাক্তুনসু লৈবাক অসিনা হান্নগী ফিরেপ হোংদবগা লোয়ননা মখা তানা রসিয়াগা শেল থুমগী মরী থম্নখিগনি হায়নসু চেকশিন্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর ওর্বানগী মতুং ইন্না য়ুরোপকী মীয়াম মখোয়না থমখিবা মখল কয়াগী অথিংবশিং অদুগী পামদবা মহৈশিং শোয়দনা ফঙলক্কনি। তৌইগুম্বসুং মীখল পাঙথোক্তুনা লাক্কদৌরিবা অনৌবা গভর্ণমেন্টশিংগী হঙ্গেরিগী পোজিসন অসিগা মান্নবা ফিরেপশিং লৌরক্কনি।

লান অমসুং ইনফ্লেসনগী চাং য়াম্না ৱাংলিবা অসি য়েংদুনা ওর্বাননা কুমজা ২০২২ অসি হঙ্গেরিগী ওইনা কুমজা ১৯৯০ গী মতুংদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাদবা চহীনি হায়খি।

মহাক্লা লৈবাক অসিগী ইনফ্লেসন সিঙ্গল দিজিটশিংদা অমুক শোয়দনা হল্লক্কনি হায়নসু মীয়ামদা থাজবা পীখি।

ওর্বাননা মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না হৌজিক্কী লান অসিদগী লাপ্পা লৈগনি। হঙ্গেরি পিছ অমসুং সেক্যুরিটিগী ঈথৎ অমা ওইনা মখা তানা লৈগনি। ইনফ্লেসনগী চাংসু ঐখোয়না শীংথানিংঙাই ওইনা শোয়দনা হন্থগনি। মসি মহাক্কী গভর্ণমেন্টগী মথৌদাংনি।

## অফঘান গভর্ণমেন্টনা হান্নগী য়ুএস মিলিটরি বেটচশিং ইকনোমিক জোনশিং ওন্থোক্লগনি

কাবুল, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিং ইনোৎ হাপ্পবগী পান্দমগা লোয়ননা অফঘান ক্যের টেক্কর এদমিনিষ্ট্রেসন্না হান্নগী য়ুএস মিলিটরি বেটচশিং ইকনোমিক জোনশিং ওন্থোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা বাক্তর ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

বাক্তরগী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না ৱারেপ অদু দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর মুলা অব্দুল ঘানি বরাদারনা চিয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা ইকনোমিক কম্মিসনগী মীফম অমদা লৌখিবনি। পাইলোট প্রোজেক্ট অদু কাবুল অমসুং বাল্টতা হৌগনি অমসুং মদু লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা এক্সপান্দ তৌগনি। মিলিটরি বেটচশিং অদু ইকনোমিক জোনশিং ওন্থোক্লবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিসতা থেংথাং নাইনা শিন্নরগনি।

পনবা য়াবদি, য়ুএস অমসুং মসিগী মীচংশিংনা কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতা অফঘানিষ্টানদগী মখোয়গী ট্রুপশিং লৌথোকখ্রবা মতুংদা মিলিটরি বেটচশিং অদু লৈহৌবনি। নোং কন্না চুবদগী চীং নিংখায়বা অমদি মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা নোর্দর্ন অফঘানিষ্টানদা মীওই কয়া ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রে অমদি প্রোপর্টি কয়া মাঙ তাক্লে হায়না প্রোভিন্সিএল ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্রোভিন্সিএল গভর্ণমেন্ট দিরেক্তর ফোর নেচরেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়র্স মৌলাৱি মোহম্মদ অক্রম অকবরিনা হায়খি, মদুদি থাংজ নুমিত্তা অফঘানিষ্টানগী অৱাং থংবা বদংসন প্রোভিন্সকী কোটাব দিষ্ট্রিক্তা নোং য়াম্না কন্না চুখি। নোং কন্না চুবদুনা মরম ওইদুনা চীং নিংখায়রকপা অমদি চীংথক্তগী লৈখোম লৈনাংশিং চেন্থরকখিবা অমদি ঈশিং ঈচাও থোকপদগী থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা কোটাব দিষ্ট্রিক্তকী সার্ন্টিও ভিলেজকী য়ুম ২০, দুকান ২৫ অমসুং ফামগী লম একর ৬০০ অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি। অৱাবা তারবা ইমুংশিংবু মতেং পাঙননবা আপিল তৌবগা লোয়ননা ওফিসল অসিনা মহৌশাগী খুদোংথীবা থৌদোক্কী চৈথেং নঙলবা ইমুংশিংগী অৱাবদা মতেং পাঙদ্রবদি ভিলেজ অদুদা অরুবা ফিভম অমা শোয়দনা লাক্লগনি।

## য়ুহা হাবদা টর্কিদা শিখিবা মী মশিং ৪০,০০০ হেল্লে

অঙ্করা, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): থা অসিগী ৬ তা টর্কিগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা হাখিবা অকনবা য়ুহা অনীদা শিখিবা মী মশিং ৪০,৬৪২ য়ৌরে হায়না লৈবাক অসিগী দিজাষ্টর এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

দিজাষ্টর এন্দ ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এ এফ এ দি) গী হেদ য়ুনুস সেজেলগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, থী হুম্বা অমসুং মী কনবগী থবক অয়াম্বা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা লোইশিল্লগনি। ইমর্জেন্সিগী থবক অয়াম্বা হৌখিবা চয়োলদা হাখিবা য়ুহাশিং অদুনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনখিবা টর্কিগী খা থংবা হাটাই প্রোভিন্সতা চথুরি।

দিজাষ্টর এজেন্সি অসিগী পর্সনেল ১৩,০০০ রোম মফম অদুদা থবক তৌরি। সেজরগী মতুং ইন্না য়ুহাগী চৈথেং চাওনা নঙলিবা মফম অদুদগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৪৩০,০০০ শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোকখ্রে হায়রি।

লোকেল মতমদা ৪:১৭ এ এমদা টর্কিগী খা থংবা প্রোভিন্স কহারা মানমরাসতা মেগ্নিট্যুট ৭.৭ য়ৌনা কন্না য়ুহা হাখিবা মতুং শুপ্নগী মিনিট খরা কান্নরগা লৈবাক অদুগী খা থংবা প্রোভিন্স গাজিয়ান্টেবতা মেগ্নিট্যুট ৬.৪ কী চাংদা য়ুহা হাখি অমসুং লোকেল মতমদা ১:২৪ পিএম তাবদা কহারা মানমরাস প্রোভিন্সতা ৭.৬ য়ৌনা অমুক হাখি হায়রি।

## য়ুএসনা য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস লুশিলহন্নবা হোৎনরি: রসিয়ন এনভোই

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী): রসিয়ানা মীওইবা খূন্নাইগী মায়োক্তা ক্রাইম কয়া চথুরি হায়না মরাল শীজিন্দুনা ৱাশিংতন্না মোস্কোবু মালেমগী মমাঙদা য়াম্না ফত্তনা উহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস হেন্না লুশিলহন্নবা হোৎনরি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা রসিয়াগী এম্বেসেদরনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনদা চহী অমরোম লান্দারিঙৈ মনুংসিদা রসিয়ানা মীওইবা খূন্নাইগী মায়োক্তা ক্রাইম কয়া চথখি হায়বা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাফম য়ুএসকী ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিসনা থাংজ নুমিত্তা পনখিবনি।

ঐখোয়না অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা রসিয়াবু হিংচা য়াইতম্বা ওইনা উহন্নবা হোৎনরকপা থৌওংনি। মসি ঐখোয়গী মায়োক্তা চথরকপা হাইব্রিদ ৱারগী শরুক অমনি হায়না এম্বেসেদর এনাটোলি এন্টোনোবনা রসিয়ন এম্বেসিগী টেলিগ্রাম মেসেজিং প্লেটফোর্মদা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা পনখি।

এম্বেসেদর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ৱাশিংতন্না অসিগুম্বা এটেকশিং চথরিবসিগী পান্দমদি য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস হেন্না লূশিলহন্নবা মসিনা চথরিবা অরানবা থৌওংশিং জষ্টিফাই তৌনবনি হায়বসিদা চিংননিংঙাই লৈত্রে।

য়ুএস গভর্ণমেন্টগী মতুং ইন্না রসিয়ানা লান্দাবা হৌখিবদগী ৱার ক্রাইম ৩০,০০০ হেন্না চথখি হায়না য়ুএস এজেন্সি ফোর ইন্টরনেসনেল দিভলপমেন্টনা সপোর্ট তৌবা ওর্গনাইজেসনশিংদা মখোয়গী রিপোর্টশিংদা পনখি। শগোলশেল নুমিত্তা বাকমুট সিটিদা চথখিবা সেল এটেকশিং ৱার ক্রাইম অমরা হায়বদু খঙদোক্লনবা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি হায়না য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা হায়রি।

য়ুএননা শৌগৎপা কম্মিসন ওফ ইনক্বারি ওন য়ুক্রেননা হায়রি, মদুদি কম্মিসন অসিনা ৱার ক্রাইমশিংনি হায়বা থৌদোক কয়া আইদেন্টিফাই তৌরে। তৌইগুম্বসুং মখোয় মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিংনি হায়বা ৱারোইশিনমক্তি পীদ্রি।

রসিয়ানা স্পিসল মিলিটরি ওপরেসন অমনি হায়রদুনা য়ুমথংনরিবা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবা মতুং লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তা নাকল অনীগী মিলিটরি কনফ্লিক্ট চহী অমা মপুং ফাগদৌরিবনি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকি অমসুং কিভকী নোংচুপলোমগী মীচংশিংনা লোইশিনবা য়াবগী মমি উদনা চথরিবা লান অদু মোস্কোনা লম লৌশিন্নবগী পান্দমদা কায়হৌরুবা তৌদনা চথরকপা লাননি হায়রিবনি।